

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JUNE 21, 2018 PAGE 7




মোঙ্গোলিয়াদা পাঙথোক্লিবা উলানবাটার কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী নুপাগী কেজি ৬০ গী কেটেগোরিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিব থাপা

লুজেমবর্গকী গাইলস মুল্লরবু মায়থিবা পীদুনা ক্বিন্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক

# ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া

## স্বারেজগী পাঞ্জলনা উরুগ্বে মায় পাকহনখ্রে, পোর্তুগালনা মোরোকো মায়থিবা পীখ্রে, রুশিয়ানা ইজিপ্ত ৩–১ দা থোইখ্রে

*মোস্কো, জুন ২০ঃ*

রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা স্বারেজগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা উরুগ্বেনা সাউদি অরাবিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, পোর্তুগালনা মোরোকোবু থোইখ্রে লোয়ননা য়ুম্বু রুশিয়ানা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

পোরটুগাল অমসুং মোরোকোনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা পোর্টুগালনা মোরোকোবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

পোরটুগাল অমসুং মোরোকোনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী পোরটুগালগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা মোরোকোগী মায়োক্তা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি।



উরুগ্বেগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা লুই স্বারেজনা টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকপা

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা পোরটুগালগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী কেপ্টেন খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মোরোকোবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ভাবক লিশিং ৭৮ হেনবনা মীৎয়েং তাখিবা পোরটুগাল অমসুং মোরোকোগী মেটচ অদু য়াম্না ফজবা মেটচ অমা ওইখি।

পাঞ্জল অমা শোথ্বরবা মোরোকোগী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনখিবা অদু পোরটুগালগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিবদগী মোরোকোগী শান্নরোইশিং অদু পাঞ্জল হনে দাকপা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা পোরটুগালগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমদনা হাল্ফ অদু পোরটুগালনা মোরোকোবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা মায়কৈ অনীদগী বোল পায়বগী চাং মান্নদুনা অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্দুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবশিং অদু মায় পাকপা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু পোরটুগালনা মোরোকোবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিদা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংদুনা মকোক ওইরগা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবা য়াবগী লম্বেল শেম্বা ঙমখি।

পোরটুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ঙসি মোরোকোগী মায়োক্তা চনখিবা পাঞ্জল অদু থারগা মহাক্কী ইন্টরনেসনেল কেরিয়রগী ৮৫শুবা পাঞ্জল ওইদুনা য়ুরোপকী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না পাঞ্জল চনবা ঙম্বা শান্নরোই ওইবা ঙমখি।



রুশিয়াগী শান্নরোই দেনিস চেরিসেভনা ইজিপ্তকী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা মতাং

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অনীশুবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু রুশিয়ানা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরগা গ্রুপ অসিগী মকোক ওইদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবগী লম্বেল নকশিনহনখ্রে।

রুশিয়া অমসুং ইজিপ্তনা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা নাকল অনীদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখ্রবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেন্দুনা লাকখি। শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা ইজিপ্তকী শান্নরোই অহমেদ ফাথিনা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংনা কাওশিল্লকপা বোল অমা শোয়দুনা থেংলুবদগী পাঞ্জল ওইখিদুনা রুশিয়ানা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংদা লৈবাক অদুগী ভাবকশিংনা পীখিবা থৌনা অদুনা মরম ওইরগা মখা তানা বোল হেন্না পায়দুনা ইজিপ্তকী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌবা হেঞ্জিল্লকখি।

শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা ইজিপ্তকী মায়োক্তা তৌশিল্লকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই দেনিস চেরিসেভনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা অদুদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা ইজিপ্তকী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা অহেনবা পাঞ্জল থিদুনা এটেক কয়া তৌখি।



মোরোকোগা শান্নখিবা মেটচতা পোর্তুগালগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা রোনাল্ডো

ইজিপ্তকী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা পাঞ্জল অনী অদু হনে দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই অর্টেম জিয়ুবানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইজিপ্তনা খূ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল ৩ শোথরবা ইজিপ্তকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা রুশিয়াগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌবা হৌরকখি। শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা ইজিপ্তকী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি অমা ফংবা ঙমখি।

খুদোংচাবা অদু ইজিপ্তকী কেপ্টেন মোহমদ সালানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা শোথ্বরম্বা পাঞ্জল অহুমগী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি। মখা তানা ইজিপ্তকী শান্নরোইশিংনা রুশিয়াগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা এটেক কয়া তৌখ্রবসু মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৭ রোমগী মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল টিম অনীগী মায়কৈদগী লৈনখিদবদগী মেটচ অদু রুশিয়ানা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ 'বি' দা মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংলগা টেবলগী মকোক ওইদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখিবনি।

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অনীশুবা লীগ মেটচ অমদা উরুগ্বেনা সাউদি অরাবিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

মেটচ অদু উরুগ্বেনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখ্রবসু সাউদি অরাবিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মখোয়গী গোল এরিয়া অদু ঙাকপা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী মিনট ২০ রোম হেনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা উরুগ্বেগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই ওইরিবা লুই স্বারেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সাউদি অরাবিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা সাউদি অরাবিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখিবা অদু উরুগ্বেগী দিফেন্দরশিংনা খুদোং চাবা ফংহনখিদে।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা নাকল অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা এটেক তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু নাকল অনীগী দিফেন্দরশিংনা এটেকশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা নাকল অনীদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী গ্রুপ 'এ' গী অনীশুবা লীগ মেটচ অদু উরুগ্বেনা সাউদি অরাবিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

| MATCH ON 21-06-2018 | |
|---|---|
| Group C | |
| Australia vs Denmark | 05:30pm |
| France vs Peru | 08:30pm |
| Group D | |
| Argentina vs Croatia | 11:30pm |

## মণিপুরগী বোক্সর সরিতা অমসুং সর্জুবালা য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৭ মোঙ্গোলিয়াগী উলানবাটার কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*উলানবাটার, জুন ২০ঃ*

মণিপুরগী বোক্সর লাইশ্রম সরিতা দেবী অমসুং সর্জুবালা দেবী য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৭ মাঙ্গোলিয়াগী কোনুং উলানবাটারদা চথ্বরিবা উলানবাটার কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী তোঙান–তোঙানবা ৱেঠ কেটেগোরিশিংদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।



লাইশ্রম সরিতা



সর্জুবালা দেবী

নুপীগী কেজি ৬০ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী নেসনেল চেম্পিয়ন লোয়ননা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মেডল ৱিন্নর ওইরিবী মণিপুরদগী হৌখিবী লাইশ্রম সরিতানা ঙসি থিন্নখিবা বাওট অমদা য়ুম্বু লৈবাক মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর পুরেভজাভ দাবাবু য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীদুনা উলানবাটার কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী অতোপ্পা মণিপুরদগী হৌখিবী বোক্সর সর্জুবালা দেবীনা ঙসি থিন্নখিবা মহাক্কী বাওট অমদা চাইনাগী বোক্সর য়ু য়াহোংবু বাওট অদুদা কন্দক্ত তৌখিবা জজশিংনা অমত্তা ওইনা সর্জুবালাদা পোইন্ট পীদুনা বাওট অদু মায় পাকখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই সর্জুবালা দেবী নেসনেল চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী মেডল ফংবা ঙমখ্রবী বোক্সরনি।

অহুম্লক এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর সিব থাপানা কেজি ৬০ কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা বাওট অমদা মেডল অমা শোয়দনা ফংগনি হায়না আশা তৌরম্বা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী সিব থাপানা টুর্নামেন্ট অসিগী কেজি ৬০ গী ক্বার্টর ফাইনেলদা কিরগিষ্টানগী বোক্সর রাভসানবেক্কা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কেজি ৫২ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর সলমান সৈখনা ঙসি থিন্নখিবা বাওট অমদা সাউথ কোরিয়াগী বোক্সর য়ং সিক বেবু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিবা পীদুনা মহাকসু উলানবাটার কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর সলমান সৈখনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর গাংখুয়াগ গান ইরদেনিগা থিন্নরগনি।

নুপাগী কেজি ৬৪ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর আসিসনা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর মেন্দসাইখান বাটবায়রগা থিন্নবদা হৌরকপদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর অদুনা পোইন্ট ৩–২ দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী বোক্সর আসিসনা ফজরকপদগী বাওট অদু মায় পাকপা ঙমদুনা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

আসিসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর বাটারসুখ চিনজোরিগকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কেজি ৬৯ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী মন্দিপ জাঙ্গ্রানা চাইনিজ তাইপৈগী বোক্সর হ্যুন মিং পানবু রাউন্দ অনীদা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর ভাটখুয়াগ সুখখুয়াগকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কেজি ৫৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ইটাস খাননা ঙসি থিন্নখিবা বাওট অমদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর বাট ওচির মুঙ্খদালাইবু য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীরম্লগা উলানবাটার কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## আইসিসি ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়া শরুক য়ারগনি

*ন্যু দিল্লি, জুন ২০ঃ*

মথং চহীগী জুলাই ১৫ দগী হৌরগা ২০২১ গী এপ্রিল ৩০ ফাওবা শান্নগদৌরিবা আইসিসি ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম শরুক য়ারগনি।

অহানবা ওইনা হৌদোক্লিবা আইসিসি ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মালেমগী ক্রিকেট শান্নবা মকোক থোংবা লৈবাক ৯ না লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

মথং চহীগী জুলাই থাদগী হৌগদৌরিবা অহানবা আইসিসি ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগা লম্বা তৌনরগনি। মসিগী মতুংদা ইনিদয়ানা কুমজা ২০২০ গী জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা টিম ১৩ গী ওদিআই লীগতসু শরুক য়াগদৌরি।

চথগদৌরিবা ওদিআই লীগ অসিনা কুমজা ২০২৩ দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আইসিসি ৱার্ল্ড কপ অসিগীসু ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অমা ওইগনি হায়না আইসিসিগী চীফ ইকজিক্যুটিভ দেবিদ রিচার্দসনা ফোঙদোকখি।

য়ুম্বু ইন্দিয়াগা লোয়ননা মকোক থোংবা টিম ৭ কুমজা ২০২৩ গী ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইরে। অদুগা অতোপ্পা টিম ৫ অদুদি আইসিসি ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়রদগী খনগৎকদৌরি।

## য়ুএসএগী সাম ক্বেরি ক্বিন্স কপ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*লন্দন, জুন ২০ঃ*

য়ুএসএগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাম ক্বেরি ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা শান্নরিবা ক্বিন্স কপ চেম্পিয়ন্সিপ টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ য়ুএসএগী সাম ক্বেরিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৭–৫, ৬–৭(৩–৭), ৬–১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সকী জে চার্দি অমসুং য়ুএসএগী এফ টিয়াফো লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সকী জে চার্দিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী দি মেদভেদেভবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৬(৮–৬), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা য়ুএসএগী এফ টিয়াফোনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা আর্জেন্টিনাগী এল মেয়রবু ৬–৪, ২–৬, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেনা ঙসি শান্নগদবা অনীশুবা রাউন্দগী লম্বা ওইখিবা কানাদাগী মিলোস রাউনিক লাক্তবদগী ৱাল্কওভর ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা নম্বর ৱান সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্না লুজেমবর্গকী গাইলস মুল্লরবু ৪–৬, ৬–৩, ৬–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংঘামদা চথ্বরিবা দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বিরমিংঘাম ক্লাসিক টেন্নিসকী অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বিরমিংঘাম ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা স্লোভাকিয়াগী মাগদালেনা রাইবারিকোভা অমসুং স্লোভেনিয়াগী দালিলা জাকুপোভিস লম্বা তৌনরগনি।

স্লোভাকিয়াগী মাগদালেনা রাইবারিকোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসপু ৩–৬, ৬–২, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা স্লোভেনিয়াগী দালিলা জাকুপোভিসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী নাওমী ওসাকাবু অহানবা সেট ৬–৩ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নদ্রিঙৈদা ওসাকা মশা শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী জাকুপোভিস ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।